CS (MAIN) EXAM, 2011

Serial No.

F–DTN–L–SAD–L

# MANIPURI

**(Compulsory)**

*Time Allowed : Three Hours*

*Maximum Marks : 300*

## INSTRUCTIONS

*Candidates should attempt **ALL** questions.*

*The number of marks carried by each question is indicated at the end of the question.*

*Answers must be written in **Manipuri** (Bengali Script), unless otherwise directed.*

*Prescribed word-limit must be followed for Q. No. 3. The precis must be attempted **only** on the special precis sheets attached to this question paper. These precis sheets are to be carefully detached from the question paper and securely attached to the answer book.*

1. মখাগীশিং অসিদগী অমত্তং খল্লগা ৱাহৈ **300** (চলুম) লোমদা এসে (Essay) অমা ইয়ু :— 100

   (a) ধর্ম্ম নল্লগা সাইন্সনা সমাজগী চাওখৎপদা মকোক ওইবা (মরুওইবা) অহোংবরা ?

   (b) রাজনীতি অমসুং মশা. মশাগীওইবা লমচৎ ৱাফম।

(c) চিঙ্গাক মী পুন্নমক্তা : ঐখোয়গী প্রজাতন্ত্রগী পথাপকী শিংনবা।

(d) কৃষ্টিগী চাত্তখৎপা অথুবা খোঙচৎনা ওইহল্লকপা আইনকায়বা ওইবগী মতা।

(e) খূৎশেমগী লৌশিংনা মীওইবগী ৱাখলগী মহুৎশিনবা।

2. মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি চেকশিন্না পাউ অমসুং অরোইবদা হংলিবা ৱাহংশিংদুগী পাউখুম ইরকউ :— 6×10=60

ঐখোয়না ইন্দষ্ট্রিগী অথুবা খোঙথাংসিদা মীয়ামবু ঐখোয়গী ইন্দষ্ট্রিদা থবক শুহল্লী। ভারতদি অসুম্না খন্নবগুম তৌই মদুদি থবক অদুগী মরমদা থোই দোক্না খঙদ্রবসু য়াবগুম্না। খ্বাইদগী মরুওইবা নঙগা খঙনবা মীওই শিজিন্নদুনা থবক অমা ফংবা নঙনা পামই। মীওইবনা খনদে মদুদি অফবা মতীক মওগুনসি অফবা ফলশিংদা দরকার ওই। থোইদোক হেন্দোকপা অচৌবা গুণ য়োকখৎপা ঐখোয়গী মহৈ তম্বগী তঙাইফদ্রবা লমনি, মদুদি মহৈদা ইকাই খুন্নদ্রবদি অসিগুম্বা অচৌবা গুনসি য়োকখৎপা ঙমদে। মসিনা নাকন অমরোমদা ঐখোয়গী মহৈ-মশিং তম্বগী মওং (ইদুকেসন সিষ্টেম) ময়াই চমহল্লী অমসুং (সোসিয়েল ইদুকেসন) মীয়াম লাইরিক হৈহনবগী খোঙথাংদা অথিংবা পী।

থোং অমা শাবদা নল্লগা লম্বী শেম্বদা পোৎচং অকক্নবা শরুক চপচাবা লৈঙোই, সেমেণ্ট, শুনু নচিংবা য়ানশিন্নে। অদুম্না তৌরবতদা মখোয়শিং অদু ফজনা শাংনা অমসুং য়াম্না তুং কুইনা লৈবা ঙমই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না তোইনা থেংনরকপনা অকাই অতোই থোকপগী ৱারী অমসুং দাম চেকখায়রকপা নল্লগা নোংনা লম্বী কয়া মাংহল্লকপগী ৱারী হায়বা ঙমই।

মসি অফবা মচাক মথুমশিং য়াত্তহনবদা নত্তনা মীত্তইবা সমাজমরী লৈননা অমসুং মখোয়গী দায়িতাগামরী লৈনৈ।



(Contd.)

লাইবক থীবদি প্রজাতন্ত্রগী পথাপসিনা অফবা মগুণ লৈবা মফম খরদসু খঙবিদবা অমসুং মীয়াম্না অফবা মগুণগী লম অসিদা শিংথানবিদে হায়নবা তাই। মসিনা মীয়ামগী ওফিস তামসুং মীয়ামগী ললোল-ইতিক্কী মফমদা মতীকচাবা অমসুং অচুম্বা শাজত্তা অপনবা পী।

**ৱাহং :—**

(1) লৈবাক অসিগী প্রজানা মতৌ করম্না অফবা থবক অমা ফংবা ঙমগনি ?

(2) করম্বা মতাঙদা ঐখোয়গী অফবা মতিক-মগুণ মাঙবগে ?

(3) অফবা মগুণবু ইকাইখুম্নদবগী ফত্তবা ফল করিনো ?

(4) ঐখোয়না মীত্তইবগী দায়ীত্বাপুবা ৱাখল থৌশাদবনা করি থোক্লকই ?

(5) অফবা মগুণবু থৌশাদবনা, মতীকচাবা অচুম্বা শাজত্তা অপরবা ওইহনবগে ?

(6) ৱারেং অসিগী মনুংদা লৈরিবা ৱাখল অদু শন্দোক্লকউ।

3. মখাদা পীরিবা ৱারেং অসিগী ৱা-মচং (প্রেসি) ৱাহৈ **190—210** রোমদা পীয়ু। মিংথোল চান্নবা পীবা য়াগনি। পীরিবা ৱাহৈ মশীংগী মনুংদা খুম্বা ঙমদ্রবদি মার্ক হন্থনা পীগনি। প্রেসি অমদা ৱাহৈ **150** শাংবা নত্তগা ৱাহৈ **250** শাংবা ওইরবদি নম্বর ফংলোই :— 60

ঐখোয়গী পাবুঙনা রাজস্থানী কোর্ড (কোর্দ)কী মেম্বর ওইনবা পোৌবন্দরগী রাজকোট চৎপা মতমদা ঐহাক চহি তরেৎলোম শুরম্লগনি। মফমদুদা ঐহাক প্রাইমারী স্কুল অমদা তম্লম্মী, অমসুং ঐহাক্না মতমদুদা ঐহাকপু তম্বীরকপা ওজাশিংগী মমিং য়াওনা নিংশিংবা ঙমলি। পোৌবন্দরদা তৌবগুম্বা মসিদসু, ঐহাক্কী ইহৈ ইশিংদা (লাইরিক তম্বদা) নোট তৌশিনবা য়াবা থোইনা লৈতে। ঐহাক ময়াই ওহরপ তৌবা ছাত্রদমক ওইরম্মী।



(Contd.)

মফমসিগী স্কুলদগী ঐ সুবরবন স্কুলদা চৎলম্মী অমসুং মফমদুদা ঐহাক্কী চহি 12 শুরে। ঐনা করিগুম্বদা মীনম্বা ঙাংখিবারা হায়বদু নিংশিংদ্রে, তাতেনবা মতমদুদা, ঐগী ওজাশিংদা নল্লগা ঐগী স্কুলগী ইমান্নবশিংদা, ঐহাক য়াম্না ইকাই থিগল্লম্মী অমসুং ময়ামলোয়নবা তোক্লম্মী। ঐগী লাইরিকশিং অমসুং ঐগী পারাশিংনা ঐগী পোয়নবশিং ওইরম্মী। স্কুলগী পুং মতমদা অমসুং স্কুল হেক লোয়বগা য়ুমদা চেনবা হায়বসি ঐগী নুমিৎ খূদিংগী হৈনবীনি। ঐ তশেংনমক চেল্লম্মী, মরমদি ঐ কনাগুম্বা অমতদা ঙাংবা ঙম্লমদে। ঐ মীনা লক্কবীরক্কদ্রা হায়না কিরম্মী।

ঐগী হায়স্কুলগী অহানবা পরিক্ষা মনুংদা থৌদোক অমা থোক্লম্মী অমসুং মদু রের্কোদ তৌশিনবা মতিক চাই। ইন্সপেক্টর মিঃ গেলস (Mr Giles) না মহৈ মশিং য়েংশিন্নবা লাক্লম্মী। মহাক্না ৱাহৈ মঙা খক্কী বনান য়েংনবসীদমক হায়রম্মী। মদুগী মনুংদা কেটলি (kettle) অমনি। ঐনা লান্না হায়বম্মী। ওজানা লোন্না ঐঙোন্দা তাক্কবা হায়রম্মী, তৌইগুম্বসুং ঐনা লৌরমদে। ওজানা হায়রিবা ঐগী থংনবদগী শিনবা হায়রিবদু ঐঙোন্দা ওইথোক্লমদে, মরমদি ঐনা খল্লম্মী ওজাশিংনা শিন্নদনবা য়েংশিল্লি। মদুগী ফলনা ঐ নওনা অতৈ নুপামচা লোয়না বনান অদু চুম্বা ঙম্লম্মী। ঐদমক অপঙবা ওইরম্মী। ওজানা মতুংদা অসিগুম্বা ফওবা হৈনবি অসি হায়বদা কান্নরমদে। ঐ মীঙোন্দগী পারা শিনবগী মহৈদু তম্বাঙম্লমদে। অদুমওইনমক থৌদোক অদুনা ঐগী ওজাদা ইকাই খুম্নবা ময়েং তাদে। ঐ মহৌশানা অতোপ্পাগী মরাল য়েং শল্লদে। মতুংদদি ঐনা অতেপ্পা ময়াম্না ওজা অসিবু ইকাই-খুম্নদবা, তৌইগুম্বসুং ঐগী ইকাই খুম্নবদি ওজাদা হান্নগুম্না লৈরম্মী। মরমদি ঐহাক্না তম্লক্লম্মী অহল-লমনশিংগী য়াথং ঙাকপা, মথোয়গী মথৌ অমসুং থবক্তা কুপ্না থিজিনদবা।



(Contd.)

মতম অমওদা থোকপা অতোম্পা থৌদোক অনিসু ঐগী ৱাখলদা লৈরি। নিয়ম ওইনা ঐ স্কুলগী লাইরিকশিং নত্তবা অতোম্পা পারমদে। নুমিৎ খূদিংগী পারাশিং অদু লোইথোকই মরমদি ওজানা অপিবা থবক অদু তৌব্বি অদুগুম্না ঐনা ওজাবু মীনম্বা পাম্লমদে। মরমদুনা ঐনা পারাশিংদু (ইথনখন্থদনা) পূক্লিং চংদনা তৌরম্মী। মতৌ অসুম্না পারাশিং নিংথির্না তৌদ্‌বদা, অতোম্পা অতৈ পানবা মচাক্কী ৱাহং লৈরমদে। তৌদুগুম্বসুং মরম অমদু ওইবসু ঐগী ইপানা লৈবা লাইরিক অমদি ঐনা পাম্লম্মী। মদু <u>শ্রাভানা পিতৃভক্তী নাটক</u> ওইরমই। ঐ মদু য়াম্না পূক্লিং চঙ্‌না পারম্মী। ঐথোয়গী লমদসু মতমদুদা লম কোয়না চত্তুনা উৎপা (নাটক্কী মরমদা) নুপা লাক্লম্মী। লাই ময়ামদুগী মনুংদা অমদি শ্রাভানা না মহাক্কী মরেংবান্দা পাবোত্তা (মীপূনবা) হাপ্তুনা, মাগী মমিৎ তাংবা মমা মপাবু পুদুনা চৎপগী (ধর্ম্ম যাত্রাগী) অয়েকলাই (পিকচর) ওইরম্মী। লাইরিক অমসুং অয়েকপা অদুনা ঐগী ৱাখল্‌দা ময়েক শেংনা তাদুনা লৈরম্মী। ঐ ইথন্তা হাজরম্মী 'মফমসিদা নহাক্কী শিন্নবা (কোপী তৌনবা) খুদম অমনি।' শ্রাভানা শিবদা মপা-মমাগী তেংথাব অৱাবদু হৌজিক ফাওবা ঐগী ৱাখলদা লৈরি। হকচিন্না অৱাবগী ঈহুলগী খোম্থাংদু ঐগী ইপানা ঐগী লৈবিবা ঈশৈগী যন্ত্রদুদা ঐনা পাম্লম্মী।

4. মখাগী ৱারেং অসি মনিপুরীদা হন্ল্লু :— 20

Tulasidas's imagery covers a vast range. No poet of medieval period — not even his great contemporary Surdas — can vie with Tulasidas in respect of the infinite variety of imagery employed by him. He has collected his



(Contd.)

images from peasant life, court life, priestly environments, rural and civic life, philosophical treatises, literary classics, mythological works and folk literature. His poetry is a vast gallery of all kinds of images ranging from exquisite miniature paintings to large frescoes. Normally he likes simple and integrated images, but is quite capable of creating complex imagery as well. What he seems to abhor is a truncated image of which we can hardly search out a single example. His whole poetic creation is an endless endeavour to give a concrete tangible form to the abstract — to impart physical charms and mental qualities of human personality to an absolute concept. Actually the very conception of Personified Godhood is a grand exercise in image-making. In this context, what is of special relevance to the modern reader in Tulasidas's art is his unconventional approach to literary-cultural tradition and religion. A number of poets in other Indian languages have also produced great literature in this regard, but Tulasi appears to have surpassed them all.

5. মখাগী ৱারেং অসি ইংরাজীদা হল্লু :— 20

মহৌশা লাইরেম্বীগী ওইবা মরুওইবা উশিং, উমংশিং উরী-উনা মোংশোং কয়া ঙাক্তনা থম্বা হায়বসি প্রকৃতি মরুওইবা খূৎশেমবু ঙাক্তনা থম্বনি। ময়াম্না য়ানরবা ৱাফমনি। তশেংনমক মীশিংনা উথক্তা অমসুং উমংশিং লৈরম্বগী ৱাফম। উশিংনা (পাম্বীশিংনা) লৈবাকপু (Soil) চাওনা ঙাক্তুনা থমই। মখোয়না অকনবা নোং-নুংশিত্তগী লৈবাক (Soil) মাংগদবদগী ঙাক্তুনা থমই। উশিংতনা চীংজাত্ত কয়া চাথংহনাদনা (erosion) অমসুং মচি লেংহন্দবা থমই। জঙ্গলশিংনা শা-উচেক ঙকই মসিনা অকোয়বদা লৈরিবা লমবু ঙাক্তুনা থম্বা ঙমই। নোং তাবগী



(Contd.)

মরম কয়ালে। উ য়াম্না হৌবা মফমদা নোং মরাং কাইনা তাই, অমরোমদনা মরুভূমি (লৈকংলা) নোংবু ঙাই। নোংনা পাম্বীশিং হৌহল্লী অমসু মহে মরোংশিংনা মীত্তইববু হিংহল্লী। শা-উচেকশিংনা নাপী ওইনা (মওংদা) মখল মখা কয়াগী উনা চাই। ঐখোয়না উদগী শিং ওইনবা অমসুং যুম কয়া শান্নবগী উকক ফংই। উদগী ফংবা তিম্বর (উকক) শিংনা (রেলৱে), রেল গাড়ী লম্বী, জহাজশিং, এরোপ্লেনশিং অমসুং অতোম্পা (ত্রান্সপোর্ট) চৎথোৎ চৎশিন তৌবগী উপায় ওই অমসুং শাই। উদগী মখল কয়াগী মশিং থাবা লোয়বা ঙমদ্রবা হিদাকশিং, গমশিং (Gums)* চে, মৈখেৎ, মখল কয়াগী থাও, মখল কয়াগী অহাওবা অমসুং হকচাংদা মচিত্তইবা উহৈ কয়া ফংই। উগী অইংবা উরুম্না নুংশাগী মৈশাদগী অৱাবা কোকই। মখোয়গী খোইথুম্নরবা উপাল (মপালশিংনা) ঐখোয়গী থম্মোয় অমসুং ৱাখল তেকখৎহল্লি।

6. পীরিবা ৱাহৈশিং অসি ৱাহৈ অমমমনা মহুৎ শিল্লু :—

(a) মী তরেৎনা শাব কাঙবু; লাইনা তম্নরক্লবা নুপা-নুপী লমগীউচেক; নোংপোক্তা পানবা; হী য়াই ওইবা কোন; নিংথৌগী ঈ; নিংথৌগী তালোই; মতম নওনা শাৎপা লৈ; পুংশু শুবা ফিজেৎ; নিংথৌগী শঙ্গাই। 2×9=18

(b) মখাগী ৱাহৈশিং অসি ৱাহৈ অমনা তোঙান-তোঙানবা ৱাহন ফোঙদোক্নুনা ৱাহৈ পরেং অনী অনী শেম্মু:—
ফকপা; তকপা; পানবা; হৈবা; কৌবা; তাকপা। 2×6=12

(c) ৱাহৈশিং হাপ্পুনা ৱাহৈপরেং শেম্লকউ (অর্থ পীদুনা):—
তাত্তজিং; ফৌরোই; চীননম্বা; ঈ খেবা; পন ঙাকপা।
2×5=10

Sr. No. 

F–DTN–L–SAD–L

अपना अनुक्रमांक इन पत्रकों पर न लिखें

DO NOT WRITE YOUR ROLL NO. ON THESE SHEETS

# MANIPURI
# (Compulsory)

सार लेखन के लिए विशेष पत्रक

**SPECIAL SHEETS FOR PRECIS**

इस पत्रक के दोनों ओर लिखिए। प्रत्येक खण्ड में एक शब्द और प्रत्येक पंक्ति में पांच शब्द लिखिए। अपने उद्धरण में सामान्य रूप से विराम आदि चिन्ह लगाइए और यदि आवश्यक हो तो प्रत्येक पैराग्राफ के अन्त में एक पंक्ति खाली छोड़ते हुए इसे पैराग्राफों में विभक्त कीजिए। यदि चाहें तो उत्तर-पुस्तिका के साधारण कागज पर पहले एक कच्चा प्रारूप तैयार कर सकते हैं। अपनी उत्तर-पुस्तिका दे देने से पहले कच्चे कार्य को आर-पार पंक्ति डालकर काट दिया जाना चाहिए। आप सारपत्रक को अपनी उत्तर-पुस्तिका के अन्दर सुरक्षित रूप से बांध दीजिए।

**Use both sides of this sheet. Write one word in each division and five words in each line. Punctuate your passage in the usual way and divide it into paragraphs, if necessary, leaving a line blank at the end of each paragraph. You may make a rough copy first, if you so wish, on ordinary paper in the answer-book. The rough work should be scored through before you hand over your answer-book. You should fasten the precis sheet securely inside your answer-book.**

| शीर्षक<br>Title | | | | | इस हाशिए<br>में न लिखें<br>Do not write on<br>this margin |
|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 10 |
| | | | | | |
| | | | | | 20 |
| | | | | | |
| | | | | | 30 |
| | | | | | |
| | | | | | 40 |
| | | | | | |
| | | | | | 50 |
| | | | | | |
| | | | | | 60 |
| | | | | | |

[कृ.पृ.उ./P.T.O.]

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 70 |
| | | | | | 80 |
| | | | | | 90 |
| | | | | | 100 |
| | | | | | 110 |
| | | | | | 120 |
| | | | | | 130 |
| | | | | | 140 |
| | | | | | 150 |
| | | | | | 160 |
| | | | | | 170 |
| | | | | | 180 |

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 190 |
| | | | | | 200 |
| | | | | | 210 |
| | | | | | 220 |
| | | | | | 230 |
| | | | | | 240 |
| | | | | | 250 |
| | | | | | 260 |
| | | | | | 270 |
| | | | | | 280 |
| | | | | | 290 |
| | | | | | 300 |